# অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ১৪৫

- ডা. এল শশীকুমার, য়ুরেম্বম -

ঙসি ফাওবা মতম মতমগী য়াওল লেপ্তুনা চত্থরক্লি। অহিং-নুংথিল খায়রি। থাশি-পুর্ণিমা লেপ্তুনা মীয়াম্না উরি। মহৌশাগী খোঙচৎ লেঙদনা লাক্লি। লায়র-অনং নোংম-নোংমগী ময়েক শেংনা উনরক্লি। ২১শুবা চহী চাওখৎলকপগী শক্তম হেন্না হেন্না খুমাঙ চাওশিন্না চঙশিল্লক্লি। থাজ-থাজদ্রবা মঙগুম্বগী থৌদোক-ৱাথোক নোংম-নোংমগী লেপ্তুনা হেনগৎলকই। মীওইবা খুদিংমক শাগী শাজৎ ৱাংখৎলকই। আইনগী লম্দা মখল মথেলগী ৱাথোক কয়া হেন্না হেন্না কনশিল্লকই। মীনা মীবু শা-ঙা হাৎনবগুম হাৎনরক্লি। মসিবু চাওখৎপগী খুদমলা? মীয়াম পূম্নমক ইখঙ খঙনৈ। ৱাথোক অমগী মথংদা ৱাথোক অমনা কূপশিন্দুনা মাঙহনবগী থবক লেপ্তুনা তানরক্লি। মসিমক মীয়াম ময়েক শেংনা খঙনরবা ৱাফম ওইরক্লি। শঙ্গ-পঙ্গ, শেঞ্জাও পায়বগী শক্তি হীরম খুদিংমক্তা হেনগৎলকই। ঐখোয়গী ইরমসিদা মতু শোনবশিং খরদি শেঞ্জাও পায়বগী বল্লিগী হামেংগুম খন্নরক্লে। পোলিটিক্সসু অঙম অঙম হাৎতোক্লরকই। মসিমক মতমগী অনৌবা য়াওল অমগী চৎনবীরা? চৎনবী হায়বসি মীওইবা খুন্নাইসিনা শেমজবনি।

ঙসিদি মতম অমগী লৈঙাক পায়রম্বশিং মরূ ফংনা মুত্থৎখ্রে। মসিমক মীয়াম হুপ্পা খঙনরক্লে। মতম অমদা মখৌ পোংনা, লাউনা খোঙনা, হাইনা-হুম্না পাল্লম্বা কোংগ্রেস মরূ ফংনা ইন্দিয়াগী লৈমায়দগী মুৎখ্রে। অমুক হন্না হিংগৎলকপগী আশা লাপ্পা লৈখ্রে। কোংগ্রেস লৈঙাক মিথাই মীশি ওইরক্লে। পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক অমনা অমবু থাজনদ্রে। অচৌ-অশাং, মন্ত্রি ফম পাম্নরক্লে। মতম মতমগী ঙম্না-ঙম্নবা হোৎনরকপদগী মীয়াম ঙমখৈ লৈতনা ৱানরে। মসিগী মথক্তা তাইবঙ শেম্বা মপুনা খাঙমদবদগী অৱা চৈথেং থাজদনা হেনগৎহল্লে। নুংশাগী মৈশানা চাকথেকহল্লে। নোংজুগী চাং খম থেংনা হন্থখ্রে। মসি ফাওবা লৈঙাকপশিংনা ৱাখল তানদনা মশা মশাগী ওইজনাম, লৌজনাম তৌদুনা নিংঙাইদনা লৈরিবসি মীয়াম্না পারা খরদি তন্বীদবা য়াদ্রে। অঙম অঙম্বা শেৎনবগী মতম য়ৌরক্লে। থাজ-থাজদ্রবা মীশি মীনা কয়া থোরক্লফাওবা আইনগী চপ চাবা চৈরাক পীবা ঙমদবসিনা মথৌ শংবগুম থোক্লে। মরাল লৈবশিং খুদক খুদক্তা পন্থবা তৌদনা ফাঁসি তৌদুনা চৈরাক পীদ্রবদি নোংম-নোংমগী মীশি-মীনা হেনগৎলক-খিগনি। আইনগীদমক লৈরিবা মরী লৈনবশিংনা শেঞ্জা থুমজা, শঙ্গ-পঙ্গনা নাথৈ-নাথৈদুনা থম্বসি ময়েক শেংনা খঙনা-খঙনা, উনা-উনা নাথৈবসিমক মীয়াম খাঙবদা ৱানরে। মতম অমগী কোংগ্রেস লৈঙাক লৈরিঙৈ তৌনীং-তৌনীংবা তৌরম্বদু মীয়াম্না ৱানা থম্মোয় চাক্লা খাঙলম্বদু লাইনা য়াদ্রদুনা ইন্দিয়া পূম্নমক্তগী মরূ ফংনা মুত্থৎখ্রে। মসিমক ইন্দিয়াগী মীয়াম্না ময়েক শেংনা খঙনরক্লে।

মতমদুগী কোংগ্রেস লৈঙাক মনুংদা ৱাজাও ঙাঙলম্বশিং ঙসিদি অৱাবা তাররে। নুমিৎ-থা, অহিং-নুংথিল খায়রম্বদগী পুর্ণিমা-থাশি নাইরম্বদগী থাশি ওইনা থোরক্লে। মসিমক মীয়াম্না খঙনরক্লিবসিনি। মখা তানা লৈঙাক্কী থবক পূবা হায়বসি ঙসিগী লৈঙাকসিদা মঙ ওইনা ফাওবা মঙবা য়াবা মতম ওইদ্রে। অদুবু চহী কয়া লৈঙাক পায়রম্বগী অৱাবসু শোয়দনা মথং মথং থেংনরকফিগনি। কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতমদা মশীং খঙদনা নহারোল, নুপী অঙাংশিংগী পুন্সি পিখম্নহনখিবগী মহয় শোয়দনা ফংলকখিগনি। ঙসি ফাওবদা কোংগ্রেস লৈঙাক মনুংদা মফম মরাং খঙদনা মাঙহনখিবা য়াওনা মীশিং ১৫২৮গী মতাংদা লেপ্তুনা থিগৎলবদি মদুগী চপ চাবা লংলা-লংজিন ফংলকখিগগনি। লোয়ননা তোম্বীস্না হায় স্কুলগী মফমদগী ফংখিবা মীকোকশিং নত্তবা মতম মতমদুগী আর্মিশিংগী লৈফম খুদিংমক চ্যেক তৌবদা শোয়দনা মীশি মীনাগী লংলা লংজিন খরদি থেংনগনি হায়বসি ঙসিগী মীরোলসিনা থাজবা কয়া থম্নরি। মতম মতমগী লৈঙাক পুমিন্নরিঙৈদা মীয়ামগী শেনয়াম হাৎমিন্নখিবশিং ঙসিদি পোলিটিক্সতা য়াওশিল্লক্তুনা থৈদোক্লবা হোৎনবা কয়াসু য়াওরল্লোই হায়বা ঙম্বা নত্তে।

ঙসিদি কোংগ্রেসকী মতমদা মীয়ামগী শেনয়াম হাৎমিন্নখিবা কয়া পোলিটিক্সতা য়াওমিন্নরক্তুনা লৈঙাক পায়মিন্নবসু শোয়দনা য়াওরম্বা য়াই। মরম অদুনা মতম অমদা ভোটকী মমাঙদা বি জে পিনা মখৌ পোংনা লাউরম্বা কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতমদা নহারোল লালহৌবগী ঈরাং, মীহাৎ-মীপূন খুদিংমক মরূ ফংনা থিগৎতুনা চপ চাবা মরালগী মতুংইন্না চৈরাক ফংহনগনি লাউরম্বা মোদিজিগী ৱাফম তুমিন খঙশিন্নদনা লৈরিবসি ৱাহন্থোক্কী মথক্তা ৱাহন্থোক কয়া লৈরল্লোই করম্না হায়রুগনি। মণিপুর লৈঙাক্কী মশীং খঙদ্রবা দিপার্টমেন্ট কয়াদসু শেনয়াম মৎখিবশিং কয়া লৈতবসু নত্তে। পূম্নমক উৎনা ৱাইনা খুমজিনখিবশিং নোংমদি শোয়দনা খঙনরকখিগনি। অদুবু লৈঙাক পায়রিঙৈ মতমদা মান্নদুনা মাঙহনখিবা মীয়ামগী শেঞ্জাও কয়াবু ঙসি ফাওবা মতম মতমগী লৈঙাক পায়রকপশিংনা চপখৎপা ঙমদবসি নুং-পানগী ওইবা অরোন-অথুপ শোয়দনা লৈফম থোকই। তশেংনমক মতম মতমগী সাসনগী ঈহৌদা লোয়চেনরম্বা কয়া ঙসিদি থবক থাদোকপদা নত্তনা লৈখিদবসু য়াওনরম্লনি। অসিগুম্বা কয়াসিনা মরম ওইদুনা মতম শাংনা লৈঙাক্লম্বা কোংগ্রেস নোংমা নোংমগী মুত্থরক্লবগী লম্বী অমনি। শেঞ্জাও পায়বা পোলিটিকেল পার্টি অমা ওইবগী মপান্থোংদা ফজবা মানবনি। মথংগী লাক্কদৌরিবা ইলেক্সনগী মতমদা হেন্না মশক থোক্লা ময়েক শেংনা খঙনরক্লগনি। মসিমকসু অনৌবা পাড়ানি।

কোংগ্রেস লৈঙাক মুৎখ্রে। অনৌবা বি জে পিগী লৈঙাক অমা থোরক্লে। মরাই চাইথরক্লবা কোংগ্রেস, মচিন তুমখৎলক্লিবা বি জে পি অনীগী মরক্তা ঈশিং খরা খরা চাইবীবসিনা মীয়াম হেন্না হেন্না অৱাবগী শরুক ওইহল্লি। মপান ফরিঙৈ মীবু মী ওইনা থৌশারুদ্রবা কোংগ্রেস মাঙখিবগুম পূম্নমক মরূ ফংনা মাঙহনবদি তরাইবদি নত্তে।

মসিগী মথক্তা পোলিটিক্স হায়বা থবক অসি য়াম্না লায়না লৌনরক্তুনা ঙসিদি ফাগী তারক্লে। মতমগী ওল্লক্লিবা য়াওলদা, হোংলক্লিবা ঈচেল অসিদা মীয়াম্না থাজবা অমত্তা থম্নরকপা ঙমদ্রে। খ্বাইদগী লায়বা, খ্বাইদগী কোম্বা শিনফমদি ঙসিগী পোলিটিক্সতা য়াওবনা মপূং ওইররে। শেল, শঙ্গ খরদংবু লৈরবদি পোলিটিক্স হায়বা শিনফমসিদা খূৎ থানরক্লে। মসিমক্লা পূম্নমক্কী লাইবক থীবা মতম ওইররে। মসিগী মথক্তা লৈঙাক্কী থবক তৌবা ওফিসর খুদিংমক পোলিটিক্সতা হিমায় চুম্নরক্লবা মতম ওইরক্লে। মতম খরা লৈঙাক্কী মকোক থোংবা লুচিংবা ওইরম্বা কয়ানা পোলিটিক্সতা খোঙ থাংজিল্লকপা অসি খ্বাইদগী লায়বা শিনফম ওইরক্লে। মসিমক মতমসিগী চৎনবী ওইনা চত্থরকপসি খ্বাইদগী লাইবক থীবা অমা ওইহল্লরে। মতম মতমগী হোংলক্লিবা য়াওলদা চেন্থরক্লিবা ঈচেলদা চাউনা অকনবা শাফু পীররে। মসি পূম্নমক আইন অমনা য়াদে হায়বা অথিংবা খরা থমদ্রবদি ইন্দিয়াগী গনতন্ত্রগী লৈঙাক অসি শেঞ্জাও পায়বগী লাংদা থুবা তাবনি। মপূং ওইনা পোলিটিক্স হায়বা শিনফমসি খ্বাইদগী লুরবা শিনফম অমনি হায়বসি ময়েক শেংনা, তরু তরুবা ওইহল্লবতদা মীয়ামগী লাইবক লেপকদবনি।

মসিমক ইন্দিয়াগী ওইনা শেমদোক-শাদোক্তুনা য়েংশিনবীহৌদ্রবদি লৈবাক মীয়াম নোংম-নোংমগী অৱাবা হেনগৎলক্কনি। ঐখোয়গী চৎন-কাঙলোন ওইরিবা কন্সটিট্যুসনগী চৎন-পথাপ করিসু খঙদবা মীশক অমনা পোলিটিক্স য়াওরকপা, ইংলিস, হিন্দিনচিংবা ইবা-পাবা, ঙাঙবা-শকপা ঙমদবশিংনা পোলিটিক্সতা লুচিংবা ওইরকপা হায়বসি খ্বাইদগী অৱাবগী মথক্তা অৱাবা ওইহল্লরে। মসিমক মতম চানা চ্যেক তৌহৌদ্রবদি মণিপুরগুম্বা লায়রবনা হেন্না য়াম্বা লৈবাক অসিদদি ৱাবগী চাং কা হেন্নবগী তাঞ্জা ওইহল্লরে। মসিগী মখা তারকপদা শেঞ্জাও পায়বা মীশক মীওই খরনা হুমদুনা পুবগী চৎনবী লাকপা হৌরে। লৈবাক অসিগী আইন, লৈবাক অসিগী সিক্যুরিটি লৈবগী ৱাহন্থোক নোংমা নোংমগী মাঙথরক্লিবসি পোলিটিকেল পার্টি খরদদি অপাৎপদা হয়িং থাজিনবগুম থোক্লে। মরম অদুনা থৌদোক অমদা লৈবাক মীয়াম হুপ্পা ৱামিন্নবগী মতম ওইহল্লরে। লমদমসিদা অচুম্বা ৱায়েল, অশেংবা শক্তম পূম্নমক মাঙখ্রে। মণিপুরদা পুলিস লৈবগী আইনগী চপ চাবা থবক পায়খৎপা য়াদবগী মতম ওইররে। মসি ঙম্নমক অচুম্বা অশেংবা লংলা লংজিন পূম্নমক শেল, শঙ্গনা খুদুম চনশিল্লকপগী ময়েক শেংলবা খুদম চাংদম মীয়ামগী মীৎমাঙদা থবক ওইনা চোংথোরক্লবা ফাওবদা খূৎ থাবা ঙমদবসি লৈবাক্কী ওইনা মাঙজবা ঙাক্তনি। লৈবাক অসিদা অচুম্বগী মফম অমা কলহৌদ্রবদি ৱাথোক মশীং খঙদনা থোরকখিগনি। লমদমসিদা আইনগী চপ চাবা থবক পায়খৎহৌদবদগী শাংলবা চহী কয়াদি নমশিন্দুনা লাকখিবনি। মসি পূম্নমক লৈঙাক্কী অচৌবা অশোয়বনি। নীংশিংমীন্নবা য়াই, বি এস এফনা তমথীনা হাৎতোপীখ্রবা উখ্রুলগী রোজগী ৱাথোক, তম্পাক্কী লমদা নিলম পঞ্চভায়া, তম্ফাস্নাগী মীশি মসি পূম্নমক আইনগী থোঙদা মতম মতমদুগী লৈঙাক্লা মরাল লৈবশিং করম্বা অহকপা চৈরাক পীখ্রবগে? মসি পূম্নমক মৈ ঈশিংনা চামদুনা মাঙহনবা খক য়াররোই। মতম মতমগী লৈঙাকসিদা অচুম্বগীদমক থম্মোয় শেংনা লৈঙাক ফজনা চত্থবীরমদবগী নোংমা নোংমগী লাইবক থীবা থৌদোক হেনগৎহনবনি।

ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা থোক্লিবা ৱাথোক পাউদম্বদা লোইবা খম্বা নাইররোই। মসি পূম্নমক ঐখোয়গী আইনগী চপ চাবা থবক্তা মপূং ফানা ওন্থোকপীদবদগী অমগী মথংদা অমা হেন্না হেন্না অঙকপা মীশি, অঙকপা মীহাৎ-মীপূন মশীং খঙদনা থোরকখিগনি। মতম অমদা লালহৌবা নহারোল মশীং খঙদনা হাৎতোকপীখিবশিং মরাল লৈতবা মীশক মীওই কয়াবুসু লন্নাইগী নুংঙাইনদবদগী ফাওবা হকথেংননা লালহৌবগী ঈরাং নমশিন্দুনা মাঙহনখিবশিং, নুপী অঙাং কয়াগী ইকায়খুম্নবা তেমশিংনখিবশিং মশীং খঙদনা থোকখ্রে। ঙসি ফাওবা আইনগী চপ চাবা চৈরাক পীখিদ্রি। লায়রবা খরদা অৱাবা তাহৌরে। আইনগী থোঙদা থেংনরবসু চহী কয়া চঙহন্দুনা থম্বীরে। মসিদা পেন্নদবদগী মৈরা পায়বী, নিশাবন্দ চোংথোকহল্লে। অঙকপা লৈবাক অমা নমদুনা মতম মতমগী লৈঙাক পায়বশিংনা পুথোকহল্লকপনি। মসিগী মথক্তা লোন্না কয়া অমা, ফোংনা কয়া অমা পুন্সি পিখম্নহনখ্রে হায়বসি মীয়াম্না খঙনখ্রে।

মসি পূম্নমক্কী মথক্তা নুংথিল পোবোবতা ইম্ফাল মনুংদা মীয়াম তিনবা মফমদা রবিনা, সঞ্জিৎ নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎতোকপীখ্রে। অসুক শাংলবসি ঙসি ফাওবা মরাল লৈবশিং করম্বা চৈরাক পীবিখ্রে। ঐখোয়গী লৈবাকসি অচুম্বসিবু লৈরিবরা? আইনসিবু শেঞ্জাও পায়বা শঙ্গ-পঙ্গগী আইন ওইনা শেম্লবরা? শাংলবা চহী কয়াদি কোংগ্রেসকী মতমদগী অসুম অসুম চত্থরক্তুনা ঙসি বি জে পি লৈঙাক লাক্লবা ফাওবদা করিসু অহোংবা, অওনবা পুরকপা ঙমদবসি শেঞ্জাও পায়বগী চৎনবী, শঙ্গ-পঙ্গগী ঈচেল নোংমা নোংমগী হেনগৎহল্লিবসি চুমথোকমীন্নবা মতম য়ৌদ্রিবরা? মসিগী মখা তারকপদা মণিপুর থুগাইনবগী ঈহৌ অমুক লাক্লগনি। চীং-তম অনীগী মরক্তা তোঙান তোঙানবা ঈহৌ থোরক্লগনি। কাঙলূপ-ফুরুপ ৩০গী মথক্তা খুন্দামিন্নরিবা লমদমসিদা জাৎ-জাৎকী ৱাথোক-লান্থোক মশীং খঙদনা নমশিন্দুনা থম্নরকখিবসিনা, নমশিন্নরকখিবসিনা অমগী মথক্তা অমা চোংথোরক্কনি। মরমশিং অসি য়াম্না কূপ্পা ঐগী মীগী মাগী হায়বা থম্নদনা অচুম্বা খরদি বি জে পিগী অনৌবা লৈঙাক অসিনা থবক ওইনা পাঙথোকপীয়ু। অচুম্বা লেঙদনা লৈরি। অশেংবা মাঙহনবা খক য়াররোই। বি জে পি লৈঙাকসু মমাঙঙৈগী কোংগ্রেসকী লৈঙাক্কুম মতম মতমগী ঙম্না ঙম্নবা নাথৈদুনা থম্বগী হৈনবী থম্বীগনু। অচুম্বসিবু লৈরিব্রা? অশেংবশিং কদাইদা নাথৈবীখ্রবগে? লিনসু শিদনবা, চৈশুসু তেক্তনবা হোৎনবদি অৱাবগী মথক্তা অৱাবা হেন্না তামিন্নরগনি। মীনা শিবনা চিন্দা, শানা শিবনা খোঙ্গুন্দা শিবনি হায়বসি কাউনরগুমসি। ●

## এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

### হায়নীংদে, য়েংনীংদে করিদি তৌরুনি

ঈকায় খুম্নজরিবা এদিটর,

শেন্থোক লম্বীনবু লৈত্রবা মচা-মশু, মরী-মতা, মরুপ-মপাং কয়া অমা লৈরিবসিগী মনুংদা কনা'মতা নকশিন্নীংবগী ৱাখল পুলৈ লৈগদবা মান্দ্রবনি। নোংমগী অয়ূক্কী চাক পুখম অমা, নুমিদাংগী অমা মসি ফাওবা শরক শিরক্তনীংঙাই লৈরোই। মচা অমা য়োক্লবা হোৎনবদা মমা-মপা ওইবা অনীনা কয়াদা ৱারকখিবা। পূম্নমক মচা ওইবশিংনা নীংশিংলুবা নত্তে। মসিবু তোইনা নীংশিংলবা করিগীদমক মমা-মপা অনীবু তোঙান চাহনগদৌরিবনো? মমা-মপাশিংনা শোল্লক্লবা, নারক্লবা মতমদা মচা পোকপগী নুংঙাইজবা, অৱাবা শরুক লৈতবা মসিমক মমা-মপা ওইবশিংদা লৈতবা নত্তে। চাংচত্তা য়েংবদা মচা নুপাদুনসু ময়ূম পাল্লবা তোঙান অদুমক চাগদবনি হায়বগী চৎনবী অমা লৈবা মসিদং মুত্থৎপা য়ারবা মনা-মনিল নাইদবা মখৈ চেক মুক লাওদনা লৈনদৌরিবনি। কনা কনাগুম্বদি মমা মপা অনীবু মীৎনা উবা লাইনি খন্দুনা চৎথোক খোৎতোক্লমদাইগী মতমদা মখোঙ পায়দুনা খুরুম্বা ফাওবা য়াওরিবা পোৎনি। মসিগুম্বা মচা-মশুশিং করিদবু শোয়নীংঙাই লৈবগে? মমা-মপা অনীবু য়েক্লবদৌনা খল্লবা অদুগুম্বা মচা অদুমক মরৈবনি। পূম্নমকসি য়েংবদা কল্লু মানা-মানা তৌরিবা থবক অদুগী মহয় ফংদনীংঙাই লৈরোই।

নুংশিনবগী লম্বীসিনা অসুক্কী মতিক লাপথোক্ল রিবমখৈ নকশিন্নবগী চাংসু লাপথোক্তুনা লৈতনীংঙাই লৈরোই। তুরেলগী তোর্ব্বান অনীনা উনা-উনা লানবা ঙমদবগুম ওইদনীংঙাই লৈরোই। মমা-মপা অনীদা মচা ওইরিবা মহাক্লা নাওথি শাজবা কনাদসু তৌরুবা য়াবা নত্তে। লমচৎ-শাজৎ হায়বসি মতোইনা মওং-মরীল তারক্ত্রবা অশোয়বা অমা লাক্তনীংঙাই লৈরোই। মীমাঙ থোকপদা নোংমদি শোয়দনা চোপতৌরিবনি। মসিদি ফক্লাংদা লৈতুম্না থাবদৌনা শোয়নীংঙাই লৈররোইদবনি। মতম অমগী চৎনবীগা হৌজিক্কী চৎনবীগা য়াম্না শাথিনা খেন্নবা হায়বদুমা ওইরকপসিনা তৌহৈদবা, তাহৈদবা ময়াম অমা তোরকপা পেঞ্জদবা, মীনা মশীং হেল্লবনি। ইকায়ববু খঙদ্রবা তৌগে নীংবদা ঙমদবা লৈরক্ত্রবনি। মৌ অমা ওইরিবা, মৌ নহাদুনা মকু, মতৈ অহল-লমন উরগা মকোক্তা করিগুম্বা ফি অমা কুপ্তুনা ব্যবহার অমা থল্লিবা মসিগুম্বা নুপী থিবদা ৱাদুনা তোক্কদবা হৌজিক্কী মতমদা লৈগদবা মাল্লক্ত্রবনি। য়েৎ ওই খঙদবা নুপী হৌজিক্কী মতমদা ওন্থোক্লা য়ামখৎলক্লবনি। য়ারবদি তোঙান চাহৌবনা ফরনি খনবা মৌ ওইবী কয়া ঐসুনি ঐসুনি হায়না মথং মথং থোরক্লি। মপুরোইবদা হায়জিনবা য়াবা মখৈ হায়জিন্দুনা হু কামশিনবা মসিনা মরম ওইদুনা নুংশিনরম্বা মরী কয়া তৎনরকপা, য়ূমথংনবদা কৈরোই লৈকায়দা মশীং লাকঙমদনা হেনগৎলক্লবনি। কৌনা ঙাঙনদ্রবনিনা ময়ূম ফাওবা তঙ্খায় খাইদুনা মাগী মাগী অতাবীদা লৈনরকপা কয়া অমা থেংনরবনি, উরবনি। মসিগী হৌরকফম কদায়দগী করম তৌনা ওইরকখিবা। খঙনা-খঙনা অদুম য়ানদ্রবনিনা করিদি তৌরুনি। মসিমক খনবা ওইরবনি। মনেমদা মকুদা করম্বা চৎন-কাঙলোন উৎকদগে খঙদবনা মাগী হেক পোকচবা মচানা ফাওবা অৱাই অখুম তৌনরকপা, মমা-মপানা ঙাঙবা শকপদা হঙ্গৎনা খুম্বগী থৌনা লৈখৎলকপা পূম্নমক মমৈদা করি লাকপা য়েংবা নত্তনা করিদি তৌরুনি। ময়ূমগী ওইনা চৎনবা মপান থোরকপা মতমদা অদুমক চৎতনীংঙাই লৈরোই। মসিগী মতাংসিদনি হৌরকফম-শাৎলকফম হেক হেক হায়নরিবদু। ময়ূমগী চৎনবী ৱাঙাঙ-শঙাঙ মসিনা মচু অমা ইতা তাদ্রবা মপান থোরকপদা হৈনবী অদুমক ওইরদবনি। হূই মমৈ চুম্নবা হোৎনবদা উতোং অমদা মমৈদু চুম্নবা নুমিৎ খরা থল্লবা মতুংদা শোয়দনা চুম্লম্লগনি খন্দুনা উতোংদু লৌথোক্লুবা মতমদা হান্নগী হান্নদুম ওইরোই হায়দৌরিবা মীওই কয়া য়ামদবনি। অন্ধাগী অন্ধা অদুমক তাদৌরিবনি। মসিনা মরম ওইদুনা করি করিগুম্বা মতমদা হূই মমৈ চুম্বা য়ারোই হায়নরিবদু। হায়নবা ঙাঙনবা হায়বসি চুম্বা কয়া য়াওরবনি। খেৎনা খেৎনা হিংবসিনা হিংবগী মগুন য়াওরক্তবসু করি করিগুম্বদা য়াওরিবা পোৎনি। মশাগী ঈ মরী ফাওবদা য়েক্লবা ওইনা খনবা ঙম্বগী ৱাখল চেল্লবা অতোপ্পা শাগৈ জাৎতদি করি তৌনি। ফত্তবদি মতম পূম্বদা ফত্তনা অদুমক লৈদৌরিবনি। কৈরোই লৈকায়গী মীওইনা ফাওবা নুংশিবদি লায়রদুনা হু তরেৎ খাবগুম খারিবনি। শেন্থোক লম্বী ৱাৎলকপা, মতমনদি য়াদবনিনা চহী য়ামশিল্লকপা লোয়ননা হিংদবদি য়াদবনিনা মচা মশুগী মরুম থুপ্পা হিংলকপা মসিনি পামদ-পামদনা ওইনরিবা? থবক তৌরম্বগী থা-থাগী পেন্সন ফংলবা, মচা মরি-মঙা পোক্লবসু ইপাদি, ইমাদি ঐনা কোনগদবনি হায়দুনা চোংথোক্কদৌরিবনি। মসিগী মতাংদা মপাগী হাকন্দগী মচিন মনাও নুংশিনদবা ফাওবা ওইনদৌরিবনি। তৌবগীবুদি হৌজিক্কী মতমদা চহীবু য়াল্লবা গভর্ণমেন্টনা থা-থাগী ওইনা পৈশা খরা খরা পীবা, মসিসু গভর্ণমেন্টবু ফত্তে হায়বা য়াবা নত্তে। খুদিংমত্তা, গভর্ণমেন্টতা তাইনবা হায়বসি অচুম্বদি ওইররোইদবনি। মীয়ামগীদমক খনবা গভর্ণমেন্টনি। কৈদৌনুংদা মীয়াম্বু মীরাইবা য়াওদবনি। অশোয়বা ময়াম অমা লৈদুনসু ইশা, ইশানা শোয়দনবা হোৎনবদা পূম্নমক শাফদৌরিবনি। ইশানবু থওই-ৱাওইদ্রবা, ইশাগী নুপী ফাওবনা থওইরক্লোইদৌরিবনি। ঐ হায়বা ঐসি ইহান হানবদা ফত্তবা য়াদ্রবনি। মসিমকপু ওইরবা খুদিংমত্তা অফবা ওইরদবনি। হিংবসিদা মৈরৌবু হেঞ্জিল্লবা অফবা হায়বদুমদি থাজবা ৱাৎলবনি।

*অদোমগী-হেমজিৎ ইরোম্বা, খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল*





HL-P/3484/27-31july/1-26aug.

ADMISSION OPEN

ENGLISH & RHYMES COURSES

For

- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE

[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]

At

SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)

Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal

Contact No. ☎ 8974642764

HL-B/5403/21/5-20/6

**IIBIT**

**Indian Institute of Banking and Information Technology**

A leading Private Bank is looking for Executives under Permanent Post.
- **CAS Executive** - Qualification Graduate with age below 28 years.
- **Phone Banking Officer** - Qualification Graduate with age below 32 years.
- **Branch Relationship Executive** - H.S passed students can also apply.

Preference will be given to the candidates who can speak the local language. For details search facebook page - Indian Institute of Banking and Information Technology.

**Salary - 10,000 - 27,000/-**

IIBIT

Khuyathong Polem Leikai, Opp. Senapati Parking, Imphal West, Manipur

OUR CANDIDATES WORKING AT




Required Office F.C (Financial Consultant) from Ukhrul, Chandel, Senapati, Tamenglong etc.
Salary - 25k + Incentive
Office Address : Khuyathong, Opposite Senapati Parking.
FB. Page : Indian Institute of Banking and Information Technology, Manipur.
Contact No. : 8729894704, 8729895297

HL-B/5582/30/7-29/8